মতম মতমগী ৱাফম

# অদুঙৈগী শংব্রে মনাগী চেংহি মনম



Chenghi_Lujaba_curtesy_RKCS_Art_Gallery




Ima_chenghi

মতম অমা,মৈতৈ চনুরা মশমনা খুবোম য়ৌবা, নীংদু য়ৈবা, শাইনা ঝুম ঝুম তাবা কনাবু উরগা হায়নরম্মী কনাগী মচা মশুবু ওইরিগবা ইচা-ইমৌ ওইনিংখ্রেদা। মৌনহা মশম মনা ফবা উরগা অমুক ফজৈদা কনাগী মৌনহানো শোন্নরম্মী। মৈতৈ লৈশাবীশিংগা লেং থৈনবদা মনম নুংশিরবা চেংহি মনম ফাওনরম্মী। লিকোন শান্নগদবা নোংমা নিনি ৱাৎলিঙৈদা লৈশাবীশিংনা মনম নুংশিবা চেংহি ফুৎনবা মচল থিনবা লাঙনবা,কোয়না চৎনবগী ৱারী লৈখি। পুখ্রি মপান্দা চাইশেন্দা চেঙহি হাপ্লগা পূল্লপ পূল্লপ চেঙহি লুজনরম্মী। লৈশাবী মরক্তা চঙশিল্লগা চেঙহি নিদুনা লুজবা পাখং মচাশিংসু লৈখি। ঐখোয়সু অমনি। মেরা থাসিনা লাকপদা অদুঙৈগী চেঙহি মনম নমলকই। ফুঙ্গাদা মৈ হৌগৎলগা চেঙহি ফূৎনবা উয়ান অমুবদা য়েনশিন, খোংজাই নাপী,পেরুক,খামেলা,লৈবাক কুন্দো, হৈবিমনা, লাইবকঙৌ, চরোৎ মনা, চম্প্রামনা, নোবাব মনা, হৈক্রু, কেগে অঙাংবা মনা খরা কোয়থি থিরুরগা হাপ্তুনা ফুৎপা, শনা ফিনা নীংথিনা চুমথোক্লগা খুজাই নৎত্রগা চাইশেন্দা হাপ্লগা পুখ্রি মপান্দা, তুরেনগী হিদেন তাফমদা কোক লুজবা, নীংশিংলকই। কোক থাদোকত্রিঙৈদা পুখ্রিগী থোংগ্রা ময়াদা কূমদুনা ঈরোইবা, ঈশিং চাইশিন্নবা, পুখ্রিদা হৌবা থাংজিংগী মরূ অরোবা ঈশিংদা তাওবশিং লামদুনা খূল্লগা চাবা কয়া ঙরাংদা থোকখিবগুম মীৎতা উরকই। লাংবন,মেরা,হিয়াঙ্গৈ থা অহুমসি পূক্লিং নুংশিবা থানি। নুংশাসু কাবক শাবা, চেঙহি লুজবদা নুংঙাইবা থানি। পৌরপ শোইবা হৈবিমনাগা মোরোক অকংবগা, ঙারি ৱামৈদা লৌরগা তোখাইদুনা শেন্বা শিংজু, হৈতুপকা পানগা, হৈক্রুগা নোংমংখা মনাগা শুবা, নোবাবকা হৈবী অকংবগা মেৎপা হাওখ্রবা ঙাক্তনি। হরিউথান, শোয়োন লাইনীং লাইশোনগশু মরী লৈনবা ওইবনা থৌরমশিং য়াওরুনবা লূবা-নানবা, কেবা-লংবদা চেঙহী উত্তি লুব নত্তনা অতৈ লৈনরমদবা মতমনি।

মৈতৈগী য়ূম অমদা চেংহি চফু অমুবা থম্নরক্তবা, য়ূমগী য়েনকখাদা চেঙহি চফু অমুবা খিন্দবা, চেঙহি লুজরক্তবা নুপা-নুপী অতাঙবনি। ইরু-লুজবদা কুইনা কুইনা খূজিন খুয়া, খূনীং তক্তুনা লুজনৈ। ইরুফমদা শানবা ৱারীসু মখল-মথেলনি। ইরুজফমদা লৈশাবীসু মৌনহাসু ৱা ৱা নোক্নৈ । করি ৱারী শাখিবদা অদুক খোয়দানা নোকখিবনো খঙদে। ইরু পূন্না পূন্না লুজবদা নুংঙাইবজা মাল্লি। ইরুজবা চৎসি হায়না লৈশাবী মশেল, মৌনহা মশেল হৌনৈ,ঙাইনৈ। চৎথোকপদা চেংহি মনম নুংশিবা নম্বদা, মনম নুংশি হায়নৈ। মতম খরগী মমাঙদা সাবোন, শম্পু, কোক তৈনবা থাউ কয়া শীজিন্নরমদে। ফংদবা, লৈতবগীসু ওইগনি। চৎনবী অমা ওইনসুনি। লমদমসিগী নুপা নুপী খূদিংমক্কী অমুবা শম, নুপী ওইরগনা শাংলবা শমশিং উনরম্মী। হৌজিক্কী মতম অসিদদি অমুবা শম উবা ফংদ্রে। অঙৌবা পোক অসি চহী য়াম্লগা হৌনরম্মী। চহী য়াম্লবসু পোক হৌনখিদে । ঙসিগী মীরোল অসিদদি চহী নৌরিবা নুপা নুপী কয়াসু ঙন্না পোক হৌনরে। মখল মখা কয়াগী মচুশিং শমদা শঙদুনা মকে শেম্নরি। চেংহি মনমগী মহুৎতা মমল তাঙলবা কোক্কী থাউ,লোসন, পর্ফ্যুমশিংনা অদুঙৈগী চেংহি মনমবু লাপ্না তান্থোকপীখ্রে। ইঙ্খোলদা, লৈপন্দা মরাঙ কায়না হৌনরম্বা খোংজাই নাপি, য়েনসিন, চরোৎ মনা মখোয়গী মফম লৈতবদগী ইকায়দুনা লোৎখ্রে। হৈবী পরেং য়েনখা শুমাংদা কংননবা য়ানবা পোল্লাংখোক উখিদ্রে। করি অমুক হায়রুগনি ঙসিগী ইচে-ইচল, ইমা-ইবেলশিং ফাওবা য়াওনা চেংহি লুবগী চৎনবী অসি মমি শামখ্রবনি। হৌরক্লিবা লৈশাবীশিং চেংহি ফুৎপা হৈররোই। মচলশিং হংলুবদা খঙলরোই । চেংহি উতি নীংথিনা লুরগা অবোক্লা কৈথেন্দা ফি য়োনবা চৎখিবা নীংশিংলকই। লুহোংবা চৎনবা লৈকাইগী মৌশিংনা কেবিয়ু, নুপী শম পূনবীয়ু, শম্বান্দোং হাপ্পীয়ু হায়না চেংহি লুরুরগা অবোক্কী নাক্তা লাকখিবা, অবোক্লা মশম মনা মতম চঙনা পুনবিখিবা কয়াসু মিৎতা শং শং উরক্লি।

মতম কুইনা কাওনখ্রবা, পন্নরুদ্রবা মৈতৈগী **অদুঙৈগী চেঙহিগী মনম** হন্দক খঙহৌদনা নম্বা হৌরকই। মনমনা লৈকাই পল্লালকই,শঙাইপ্রৌগী ইঙ্খোল অমদগী, সনসমগী চেঙহি চফুদগী। চেঙহি চফুগী খোঙ্গুল লীরুবদা থেংনখি ইয়াম্বা সনসম বীরেন্দ্রা, রিটাইয়ার ফঙ্কস্নেল মেনেজর (ক্রেডিদ), কম্মর্স এন্দ ইন্দসট্রিজ দিপার্মেন্ট, লম্ফেল। অহানবা হেক উবদা পূক্লিং হকচাং অসি ইশেং শেংনা উবা ঙম্বা ইয়াম্বনি। হকচাং তরু-তনাল্লি, ৱাখল শেংঙি। ইয়াম্বা অসিনা তৌথোকলকপা থবকশিং মশক মচু থোকল্লি। হোৎনবা লেপ্তে, থিজিনবা কল্লি, চৎপসু ঙাঙবসু অনীমক লেপ্তে। চিনগা খুৎকা মান্নবা অমা থিন্দুনা তাকউ হায়রগদি ইয়াম্বা সনসম বীরেন্দ্র তাকচনিংঙি। কম্মর্স এন্দ ইন্দসট্রিজ দিপার্মেন্ট, লম্ফেলদা হেন্দিক্রাফ্টসকী ওফিসর ওইরিঙৈদা খুৎহৈবা কনা কনা লমদমসিদা লৈরিবগে কোইথি থিরম্বা, লৈবু লৈরম্লগদি হেক্তা পুথোক্লবা হোৎনরকখিবা মীশক্লি । হন্দক্তি খুৎহৈবা থিবদগী মনম নুংশিবা য়াওহল্লে। নহালখৈনাকাওথোক্লরুরবা নাৎকী ওইবা শমগীদমক্তি শীদ হিদাক ওইরিবা পোৎশক অমা অমুক উপ্না তাবা উনা লোংনা হাইদোক্তুনা, চীং, নারক মোংশোং থিদনা মচলশিং থিরুরগা পুথোকপা ঙমলে মদুদি অদুঙৈগী শন্ব্রে মনাগী চেংহি মনম **‘ইমা চেঙহি’** মিংথোন্দুনা শেম শাবা পূল্লোই লোইরগা কৈথেলদা ফংহল্লে। লমদমসিগী মীয়ামদা চেঙহি লুজবা ফংহন্নবা হোৎনবিরি। হৌজিক্কি মতম অসিদদি, চেঙহি হায়বসি লৈরগসু মচলশিং থিরুবদা থবক অমা ওইনগদৌরি। চেঙহি চফু লৈতবা য়ারোই, মৈ হৌগৎফম ফুঙ্গা অমুক লৈরক্তবা য়ারোই। মতম অমা ইরায় লায়রম্বা অদু ঙসিদি খুদোং চাদবা কয়া মীয়াম্না মায়োক্লগদৌরি। অদুগুম্বা কয়াবুসু উবীদুনা থৌ অমা ওইনা **‘ইমা চেঙহি’** কৌবা অমা পুথোকপীরক্লিবা অসি খ্বাইনা পূক্লিং থৌগৎপীফম থোকই। নাৎকী পোৎশক অমবুসু হিংহনবা, লমদমসিগী মীওইশিংগী শমবুসু ফনা লৈহনবদা মতেং ওইহনগদৌরিবা- **সিবু থোইনা কান্নবা লৈবরা ?**

চুম্মী, নহালৱাইনা চফু অমনবদা, মৈখু মরক্তা উফুল ৱাইফুল মরক্তা চেঙহি ফুৎলম্বনি। হৌজিক্তি লূনা-নাননা থৌরাং তৌবা য়ারেমক্তি হায়ববু, চাউখৎলে হায়দুনা চেঙহিবু প্রেসর কুকরদা, ষ্টোফ গ্যাসতা ফুৎলগদি মতম চঙদনা অথুবা মতমদা ঙম্বদি য়াই,কদায়দনো নাৎকী ওইবা মশক অমদি মাঙলি। প্রেসর কুকরদগা ফুৎনরগদি মনম ৱাৎকদৌবগুম্নসু ফাওহল্লি । মতাংসিদা হৱায়চার লোনবগী ৱাফম অমা নীংশিংলকই। জপানসু হৱায়চার চায় । পুং ঙাইহক্কি মনুংদা হৱায়চার পুথোকই। মখোয়দি চাউখৎপা লৈবাক্লিনা টুদ পেষ্টকুম্না ফেক্টরিদা য়াম্না হাইজেনিক ওইবা মওংদা শেমদুনা পুথোকই। ঐখোয় মণিপুরগীদনা নুমিৎ অফবা য়েংলগা অয়ুক্তগী নুমিদাংৱাইরম ফাওবা লোল্লি। হৈবোং মনা,কনাগুম্বনা **হৱায়চার মনা** হায়নবা মনা অসিদা চেকশিন্না য়োম্লগা মতম চঙনা ওমলুগদৌরি। মনা অসিদা য়োম্লগা কোৎনুংদা নুমিৎ খরনি ওমদুনা থম্লগা অশেংবা নুমিৎ অমদা অমুক কাইথোকই। নুমিৎ শুরগা ওল্লিবা অদু লৌথোক্লুরগা মীয়ামদা হৱায়চার য়োনবী থৌরাণী অমনা ময়োম ময়োম য়োম্লগা মীয়ামদা ফংহনবা অসি চৎনরকই।

হৱায় লোনগদৌরিবা কোন নৎত্রগা টেক্সি অদু লোনফমদা চৎলগা য়েংলুরগদি ফজবা অমদি নত্তে অদুবু মতম চঙনা শীং মৈ য়াংলুরগা হৱায় ফুৎলগা অমুক ওম্বা হায়দুনা নুমিৎ খরনি অশেঙবা মফম অমদা থম্নিবা থৌরাংশিং অসি উরগনি জপান মচা হসেগৱানা ঐখোয়না হৱায়চার লোনবগী মওং মতৌবু ডোকুমেন্টরী ফিল্ম অমা মণিপুরদা লাক্লগা নমখিবদু নীংশিংলকই। ঐখোয়গী হৱায়চার শেমবগী মওং অসিনা অচুম্বনি হায়না মহাক্লা হায়রম্মী। মহাউসু হেল্লি। চেঙহিদসু চপ মান্নৈ। ঐখোয় চেঙহি চফু থাদোকপা চুল্লোই। অতোপ্পা কোন/পাত্রা অমদা হোংলুবদা ‘চেঙহি চফু’ হায়বা অমসু মাঙখিগনি। ফুঙ্গা মৈহৌফমসু কাওনখিগনি। থবক ইনখাং চিন্নবা, মৈহৌফম মফম শেম্নবা ঙম্নরক্তবা কয়া অসিনা নাৎকী মশক অমা ওইরিবা নুপীওইবীশিংগী পোৎথোকসু ওইজবা চেঙহি অসি লমদমসিদা মমি শামখিবনি। অসিগুম্বা কয়া অসিসু খঙবীবদগী হোলিষ্টিক ইন্টরপ্রাজেস, সঙাইপ্রৌগী প্রোপাইটর ওইবীরিবা সনসম বীরেন্দ্রগী ৱাখল্লোন অমদি কাঙলোন মখাদা **‘ইমা চেঙহি’** মিংথোন্দুনা পুথোকপীরে। য়াম্না পীক্লা ফুঙ্গা মৈ হৌদুনা লীংখৎলকখিবা **ইমা চেঙহি** অসিনা খজিক খজিক্তগী অপিকপা চফুদগী ঙসিদি নোংমদা চেঙহি লিটর ফনা য়াম্না পুথোকচদুনা শিনমী ১১/১২ ফাওবা থবক পীজবা ঙল্লে। য়ূমগী লন্নাই চেঙহিদি নোংমগী চারা অমগী চেঙ চাম্বগী মহীনা কোন্নরম্মী। মীয়ামদা পাক শন্না চেঙহী লুহন্নীংবদগী চেঙহী খোম্বদা অৱাবা অমা মায়োক্লবগী ৱাফম প্রোপাইটরদগী খঙবা ঙম্মী। মণিপুরগী অচৌবা চাক্লেন উসব তৌবা মফমসি পংলৈ লৈতে। ইমা চেঙহীগীদমক চেঙহি মহী লৌরিবা মফমসি ইস্কোন অমদি শ্রী শ্রীবীজয়গোবিন্দগী লাই লুক হৌবগী মফমদগী চেঙ চাম্বগী মহী লিটর ১০০ ফংলকপা অসিনা চেঙহি শেন্লি। হৌজিক্তি থাজবা ঙমলে লমদমসিগী ইমা- ইবেল, অহল-লমনশিংনা অঙনবা মতমদগী শীজিন্নরক্লবা চেঙহি নৌনা শাফোঙলক্লিবসিনা ঐখোয়গী পূন্সি মহিংদা, নাৎকী মশক্তা মচু অমা থোকহল্লগনি। কাওঙমদ্রবা মনম অমা ফাওহল্লগনি। চেঙহি উতি লুনরক্লগদি তখেল্লে নাচোমসু শেম্নরক্লগনি। ফাখিবা ঈশৈসু ঙঙনরক্লগনি।

**নঙগী শল্লাং লৈচিল্লক, শংব্রে মনাগী চেঙহি মনমদা, অহিংসিদি লৈজনিংই...**

*(ওল্লাংথাগী ৱাংমদসু।)*

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

ৱারী ককনাউ

## লানফমদা মীনুংশি

**তনৌ-তনৌরবা** স্কুলগী ফিজোল শেৎতুনা, মনঙ্গলদা স্কুলগী বেগ অমা য়াল্লিবা মনিথোইগী হকচাং অদু য়াক্লবা নুংশা মরক্তা খুনয়াগী চীংখোঙদা ঈনা পুমঙাং ঙাংদুনা তারি। করি মরালগীদমক মমাগী ফিজিগী মনিবু থৎতুনা লিক্কু চোইনা কেনবগুম লৈমায়দা তাহল্লিবা? চেপ্লপ উপথুনা তারিবা মনিথোইগী মমিৎতু তরু তরু পাঙলি, মাবু কনানা হাৎপনো থিবগুম য়েংলি। খুতুম তাশিল্লবা মখূৎতুদা চৈনা খাঙবদা থৎখিবা নাপী চদুম চদুম পায়রি। নাকন্দা হৌরিবা উপাল ৱাপাল পূন্নমক চপ চপ লেপ্পি। নুংশিৎ অমত্তা শিৎত্রবা নুংশাগী মৈশাদা কংশিল্লবা ঈ মরক অদুদা মনিথোইদি থোইদোক্লা অশাবা ফাওদবগুম তারি। মনাক্তা হৌরিবা ৱাংলবা উপাল অদুগী মথক্তা মপাং কায়নরবা উচেক অমদি থৌদোক অদুবু য়েংলগা য়াক্লা য়াক্লা মখোল হৌনা খোংবা তারি।

লাপ্তুক্লা পুলিসকী কাঙবু চিবোন চিবোন ৱারী শানদুনা লৈরি। ঙাইহাক্কী মতুংদা পুলিসকী অচৌবা কাঙবু লাক্তুনা য়াম্না হঙ্গৌইবগী মওংদা মচিন্দা রুমাল অমা মখূৎনা খুল্লগা য়েংশিল্লরে। মরাল লৈজদ্রবা অঙাং অদু কনানা কাপ্পনো হায়না শাওনা চৈগদবোই খল্লুই, অদুবু ওন্ন-তৈনবদা অশিবসি গাড়ীদা হাপকৎলু হায়বা য়াথং তাওথখি। থোইদোক্লা মাগী মমাইদা নুংঙাইতবগী মমি তাবা উখিদে। মনিথোইবু মুন্না য়েংলি। কনানা পাউ পীরুবনো খঙদে, মনিথোইগী মমা ইবেচাউবী অঙাওবীগুম মফি মরোল মফম খঙদনা চেল্লকই।

পুলিসনা গাড়ী মথক্তা সুপত্রেক্লনা লংশিনখিবদু মানা গাড়ী মনাক য়ৌবগা উহৌই। মদুদা হেন্না মাগী থম্মোয় কায়খি। থুনা গাড়ী মথক্তা কাখৎতুনা থেকচিন্দুনা জিপসি মনুংদা তারিবা মচাগী মমায় উবদা,

‘ইমাগী মনি, করিনো ইচানা তৌরল্লিবসিদি... নঙবু ঙসাইদা ইমানা মনম নম্বীদুনা খুদাংদা ইমানা চিক্তুনা স্কুল চৎখিবা নৎত্রা? করিগীনো নঙনা অসুম্না ইমাবু লক্লরল্লিবা, ইমাগী মনি... ইমাগী মনিথোইবা... ইমাদি লোইরেদনা... ইমাগী ইবুংঙো?’ অশিবা মচাবু চেৎনা ফৈবম্না কৌদুনা তেংথাদুনা কপলি। মীগী অৱা অনা খোঞ্জেল তাবা কয়া হৈনদ্রবরা কৈনো, পুলিস অচৌবদুনা মখা তাবশিংদা ইবেচাউবীবু চিংথোক্লবা ইঙ্গিৎ পীখি। পুলিস খরনা চঙশিল্লক্তুনা ইবেচাউবীবু চিংথোক্লে।

‘য়ারে য়ারে কুমথরক্লো’

‘মহাক ঐগী ইচানে, মমা ঐনা চাক থেংনা থোংবদগী চাবা নংদদুনা চাক মরু অমা ফাওবা চাদনা স্কুল চৎখিবা ইচানে’

‘হোয়নে য়ারেনে, নচানি খঙঙে, লালহৌবা য়াওরম্বদগী কাপ্পবদা শিরিনে, হৌজিক কৈদৌখিগে হায়রিনো ... আদা হোরেন মোর্গতা লাকল কো সে কুমথরো’ নমদনা ইবেচাউবী জিপসিদগী চিংথরগা পুলিসশিং চৎনবা থৌরাং তৌরকই। ইবেচাউবী শেৎলিবা ফনেক অদু মচি তঙ্খাই অমা নাম্থরে। থোইনা থৌ ৱা শারুদে, মখূৎনা ফনেক ফিজি পায়দুনা তুমিন লেপ্পী। মনাক্তা পুলিস অচৌবদু লেপ্পী, ‘হে গাড়ী ষ্টার্ট তৌ’, অকনবা য়াথং তাওথরকই। ইবেচাউবী খঙহৌদে, পুলিসতুগী মমায়দা খূৎপাক্লা শেৎ লাউনা থারগা, মমায়দা মতিন ‘থুই...’ লাওনা শিৎচিল্লি। পুলিসনা শাওদুনা ইবেচাউবীদা য়েংলগা মমিৎ ঈ কানা ঙাংলবদু লাউথোক্লগা লাওরকই,

‘হে নুপী, নঙ শিনীংব্রা, ঐখোয়না তৌরিসি ইথৌনি, নচানা লালহৌবা য়াওবদদি থিংদ্রগা করিগী ঐখোয়দা তাইনরি’

‘তুমিন লৈয়ু, ঐগী ইচানা লালহৌবা য়াওই হায়বদি নঙগী নপানা হায়ব্রা’

‘য়াওদনা শিরিসিনি, কাপ্পীসিনি’

‘ঐগী ইচানা লালহৌবা য়াওই হায়বগী খুদম নঙ পুথোকপা ঙম্ব্রা লমশা’

‘তুমিন লৈয়ু’ পুলিসতু মখ্বাংদা য়ানবা নোংমৈ শৎলি।

‘কাপ্পু কাপ্পু ঐবুসু কাপ্পু’ নোংমৈ মুন্নরকই, শোয়বদগী পুলিসকী নোংমৈদু কাপথোরকপদা ইবেচাউবীগী মরাইবক্তা পানখি, ইবেচাউবী লোংনা তাখি। খঙহৌদনা ঙসাই মখোয়না তানরকখিবা নহা অদু চীংয়াগী নাকন্দগী থোরক্লগা মথৌনা লৈনা পুলিস অচৌবদু তম্না নোংমৈনা কাপখি, লোয়নরকপা পুলিস ইঙক ঙম্না লৈরিঙৈদা নহাদুনা মথং মথং কাপথখি। পুলিসশিং মথং মথং তুথরকই।

ঙাইহাক অদুদা মফমদু অকনবা লানফম অমা ওইখি। নহাদুনা জিপসি মনুংদা তাদুনা লৈরিবা নুপামচা অদু নুংশিনা য়েংলগা মমিৎতা মপি তারকই, অমুকসু তুদুনা লৈরিবা ইবেচাউবীগী মখোং শোক্লা খুরুম্লম্মগা মফম অদু থাদোক্তুনা থুনা য়াঙনা চৎখি। মরাল লৈজদবা মমা মচাগী অশিবা হকচাং অদু লালহৌবগী ফিজোল শেৎখিব্রা হায়বদুমদি ঙাইখিবা তারি।

*-নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

## মপাদা মচাগী লমন

**মহাক্কী** মমিং রামজি কৌই। বিহারগী মফম অমদগী লাক্লগা নাগালেন্দগী মনুং হঞ্জিন্না লৈরবা খুন অসিদা দুকান মচা অমা ফমদুনা শেল তাল্লরিবনি। মতাং অসিদা মহাক ঐহাক্কা হায়ফেৎ মান্নৈ - ঐসু থাপ্লবা ইরমদম মণিপুরদগী লাক্লগা হিংনবগী লম্বী থিবা ওইনা মফম অসিদা ওজা মচা অমা ওইনা লেল্লরি। খুন অসিদদি মাসু ঐসু মীতোপনি।

পোৎসু য়োনবা, চা হোটেলসু তৌবা রামজিগী দুকান্দা নুমিদাংৱাই খুদিং ফল্লবা, থেংনবা কনা কনানো খরা ঙহাক ৱারী ৱাতাই তৌনবা, অৱা নুংঙাই ফোঙদোক্লবা, লৈবাক্কী খঙলুবা তারুবা ৱারী খরা তৌনবা নোংমগী চিংখিবা য়াদ্রবা থৌদাং অমা হৌখিবা মতম খরসি ওইরক্লি।

- রাম রাম, কমদৌবিরি? মহাক্লা ঐ উবগা হায়রকই।

-অসি মঙাই, অহোংবা লৈতে। ঐ চঙশিন্দুনা ফান্দা ফম্মী। ঙসিগী পোৎশিৎ কমদৌবা?

- গুরুজি হামু হামুনি। খুন অসিগী মীশিং, অদুগা গুরুজিহোইগুম্বা মপান্দগী লাকপা খরা অসিতনা লৈবনিনা কয়াম শিৎকনি? নোংমগী শিৎফম থোকপা খরা অদু মঙাই।

- নঙনা সহরদা ফমগে হায়দদনা খুন অসিদা দুকান ফল্লরিসিবু...?

- গুরুজি ঙমদবগী ৱানি ঐদি পাটনাদা দুকান চাউনা ফম্লিংলিবনি। ঐনা ঙম্বদুনি ঐনা তৌরিবসি। বিজলি ফংদবা, টি ভি য়েংদবা, রেদিও তাদবা, পাউচে ফংদবা খুন অসিদা মহাজোন মচা অমা ওইজরবনি। গুরুজিসু মণিপুরদা লৈঙাক্কী ওজা ওইদদনা খুনসিদা প্রাইভেট স্কুলগী ওজা ওইররিবা, অসিগুম্বনিদা।

- রামজি ভায়া নঙ অশেংবা ৱাবু হায়দা।

মী অনী অহুম পোৎ লৈবা লাকই। রামজি ভায়া ঙাঙবগা শকপগা তৌদুনা থৱায় য়াওনা পোৎ য়োল্লি। পোৎ লৈবা লাক্লিবশিং হরাউনা হন্নখি। ঐনা হায়নীংদুনা লৈরকপা ৱাফম অমা মী হাংবগী তাঞ্জাদু লৌদুনা হৌদোকই।

- ভায়া নঙনা য়োল্লিবা পোৎকী মমলসিবু তাঙমন্দ্রা?

- গুরুজি ঐখোয়গী আদগা শিদগদি করম্না মান্নবা য়াগনি?

- হোয় অদুবুদি ঐসু য়াই, অদুদা হেনমন্না তাঙব্রা খনবগী ৱানি।

- গুরুজি থারিবা মমলদগী তঙ্খায় অমা হেনগৎলগা য়োল্লিবসি চপ চারবা মমলনি। লুপা তরা থাবসি তরামঙাদা য়োল্লেদনা, মসি চপ চারবনি। মফম অসিদা লৈঙাক কয়া লৈবগে হায়বা গুরুজি খঙবীরবনি। অরোনবা অফোঙবা টেক্স ময়াম অমা লৌরিবসি। মফম অসিদা লৈবা ফাওবগী টেক্স পীরিবনি। মখোয়না ঐখোয়দগী লৌখিবা ময়ামদু ঐখোয়না অমুক মখোয়দগী খোমজিনবা হায়বসি মশানা তাবনি। মদুম্না তৌদ্রবদি করম্না মফম অসিদা দুকান ফম্বা ঙমগনি। গুরুজি মসি মফম মফমগী ফীভম ফীভমগী ঙম্না ঙম্নবা হিংনবা হোৎবা হায়বদুনি। বিহারদা মণিপুরদা তৌরুবা য়াবা নত্তেদা। টেক্স ময়ামসি লৌরনুদনা, অদু ওইরবদি ঐখোয়সু পোৎ হোংনা য়োনবা করিগী ঙম্মোই?

- হোয় নঙনা হায়বা চুম্মী। মণিপুরদা পোৎ তাঙই হায়রিবসি লম্বীদা লৌহৌবা মফম মরাং খঙদবা টেক্স, তিংখিবা শেল ময়ামদু কুপখৎনবা হোৎনবদা তৌরিবনি। মসি মুন্না খম্থরুরবদি টেক্স থিরিবসিদি মীয়ামনি। মীয়াম্বু ৱাহনবনি, ওৎপনি।

শরক্তুদা কদোমদগী লাকখিবনো খঙহৌদে নহা অনী দুকান মমাঙদা শৎ লিৎশিল্লকই। মখূৎ য়েৎ তিংথোরক্লগা করিগুম্বমা পীরকউ হায়না খঙহল্লি।

হে ভা-য়া, লুপা য়াঙ্খো পীরকউ।

ভায়া ঙসিদি পোৎ শিৎতে।

নঙগী পোৎ শিৎপা শিত্তবা ঐখোয়দা মথৌ তাদে। ঐখোয়দা মথৌ তারিবদি লুপা য়াঙ্খো। হে শৎ শৎ পীরকউ। নৎত্রবদি চখায়রগে, থুগাইরগে। খুত্তুম্না থোঙগী উবাক্তা অনী অহুল্লক শুই।

ভায়া সে লুপা কুন্সি লৌরো, শেল লৈত্রে।

হে সি য়ারোইনে। কোন্নদে। য়াম্না লিকপ্রা হায়ববু...।

সে তরা সিমগা হাপ্লগে সে। লৈতদুনা তৌবনি, শাউনু।

শেলদু লাকপোই ফোইবোই তাপ লৌরগা হায়রকই - হে নখোয়না শিদা লৈজরিবসে ঐখোয়না য়াবগীনি, খঙউ। ঐখোয়না হায়বা য়াদ্রবা, লম হেল্লবদি আউট, গো বেক ফোরেন্নর। খঙলবরা?

রামজি তুমিন তাদুনা লৈ। মখোয় অনি হাইরং তুরং চৎখ্রে। মাসু ঐসু মখোয়বু য়েংদুনা ঙহাক তুমিন লৈ।

- করিনোনে তৌরিসিবো? রামজি ভায়াসি মখোয়গী মপাদু মঙায়রেনে।

- মখোয়গী নহাশিংদি মপাদা মমাদা শেল পীয়ু হায়দ্রে। ঐখোয়দা হায়রে। হায়রবনিনা পীরে। ঐখোয়নমুক মচাশিংনা লৌখিবদো মমা মপাদগী লৌখৎলে। রাউন্দ তৌনবনিদা।

- মচাগী লমন মপাদা শিংবা হায়বদুনি, হা হা হা।

*- ভোরোত সনসম*